**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 23-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল হয়েং লোইশিল্লগনি। ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতসু থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

২) কোকোমিনা কৌবা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোইরগনি।

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- টেরোরিজম য়াওনা মাওইষ্টকী ইরাং নমথবা হায়বা মহাক্কী সরকারগী থৌশিংল অদু অহোংবা লৈতে।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুর অসি পহলগামদা চথুরকখিবা এটেক অদুগী চপ চাবা পাউখুমনি।

অমসুং

৫) মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত অমদি পাকিস্তান লৈবাক অনিগী মুকবা অদু লৈবাক অনিনা মিলিটরিগী থবক থৌরম চথ্নদবা হায়বা ৱাফমদা য়ান্নখিবনি।

------

শিরুই (এল)ঃ মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল হয়েং লোইশিল্লগনি। ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতসু মখল মখাগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। হেদক্বাটরস গ্রাউন্দ উখ্রুলদা তগ ওফ ৱার, রেস্লিং অমসুং জেব্লিন থ্রো পাঙথোকখি।

শিরুই ভিলেজ বঙায়ানগী হেরিটেজ গ্রাউন্দদা মাউন্টেন মিণি মরাথোন, জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং অমদি মিস শিরুই লিলি ২০২৫ পাঙথোক্লি। নুমিদাংৱাইরমদগী বক্সি গ্রাউন্দদা তোঙান তোঙানবা ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি। টি.টি.এ. হোলদনা ফিল্ম উৎলি।

ফেষ্টিবেল অসি য়েংনবা রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীয়াম লাকবা লেপত্রি।

ফেষ্টিভেল অসিগা মরী লৈননা অশং অমানতনা থলহল্লশি, তরু তনান্না হিংমিন্নশি, পোপি পান্দ্রী থাররোইশি অদুগা ৱা পান্দ্রী ওইনা থারশি হায়বা মীয়ামগী কেম্পেন অমা হৌদোকখি। কেম্পেন অসিগী মখাদা নোর্থ ইষ্ট কেন এন্দ বেম্বু দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (এন.ই.সি.বি.দি.সি) অমসুং অপুনবা ইমাগী মচাশিং অনি পুন্না খুৎশমদুনা শিরুই ভিলেজগী লৌমী অমসুং নহাশিংদা ৱা চারা কয়ামরুম য়েন্থোকখি।

বন্দ (এল)ঃ কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি) না কৌবা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক ঙসি অহিং নোংয়াইদা লোইরগনি। থা অসিগী ২০ দা মঙাসুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী পাউ লৌবা চৎপা এম.এস.টিগী বস অমদগী গ্বালতাবী চ্যেক পোষ্টতা মথৌ তৌদুনা লৈরম্বা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা বস অদুদা থারিবা মণিপুর হায়বা ৱাহৈ লৌথোকউ হায়বা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কোকোমিনা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখিবনি।

জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা কৈথেল ফমখিদ্রে, দুকান অমদি অতৈ লল্লোন ঈতিক্কী মফমশিং থোঙ হাংনখিদ্রে, পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেন্নখিদে। ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোক্লে। ষ্ট্রাইক শৌগৎতুনা মফম কয়াদা ৱানচিংবা ফৈজিনদুনা লন্দ্রী থিংবা উই।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগী য়েংলগা ঙাকশেনবগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। তম্পাক্কী অতৈ জিলাশিং-থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুরদসু

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগী মমি চাউনা তারি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

হেলথ (এল)ঃ নুংশা শাবগা মরি লৈনবা লায়নাশিংনা পীবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা চৈথেং অমসুং নুংশিৎ মোৎপা অমদি মসিদগী ঙাকথোকবা পান্থৈশিং হায়বসিদা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা আর.দি ৰিং লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ মণিপুরগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ য়েংখোম নিভেদানা
হায়- রাজ্য অসিদা শাবা হেনগৎলকপা অসিগা মরী লৈননা লৈরিবা হেলথ ফেসিলিতি খুদিংমক্তা কুল্লিং রুম অমমম থমবা খঙহনখ্রে।

উখ্রুল (এল)ঃ উখ্রুল জিলাদা সরকারগী স্কুল ওজা অমবু অসামদগী লাকপা মীওই অমনা থাংনা থিনদুনা হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু তুসর ভিলেজ ওথোরিতিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। হিরম অসিদা সরকারনা মীৎয়েং চংবীদুনা মরাল লৈবা মীওই অদু অথুবা মতমদা ফাদুনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপীনবা তুসর ভিলেজ ওথোরিতিনা রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মরাল লৈবা মীওই অদু ফাদ্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লোইরোই হায়না মীশি অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা ফোংদোকখ্রে।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-তংদু লৈতাদবা থোকহল্লিবা টেরোরিজমবু ওইরো, মাওইষ্টপু ওইরো, মখোয়বু নমথনবা মহাক্কী সরকারনা অখাকপা অমত্তা থমদবা হায়বা থৌশিল ইন্দুনা চৎলি।

নিউ দেল্লিদা ঙসি নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টর্স সম্মিট হৌদোকপদা শ্রী মোদিনা হায়-চাউখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবগীদমক অৱাং নোংপোক লমদমগী চাউখৎহনবা হায়বসি মরুওই। অৱাং নোংপোক লমদম অসি খুদোংচাবনা থল্লবা

লমদম অমা ওইহ্রে হায়রদুনা ইনভেষ্টরশিংনা লমদম অসি শিনবা থুংনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিং থিদোকবা তকশিনখি। মহাকা হায়-অৱাং নোংপোক লমদম অসি ইনর্জি অমসুং সেমি কন্দক্তরগুম্বা সেক্তরগী পন্থুংফম অমা ওইরক্নি। মহাকা হায়-লমদম অসি ভারতকী খ্বাইদগী মখল মখা য়াম্বা লমদমনি। মখল মখা য়াম্বা অসিনা লৈবাক অসিগী পাঙ্গলনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইষ্ট হায়বগী ৱাহন্থোক্তি এম্পৱর, এক্ট, স্ত্রেংথন, অমসুং ত্রান্সফোর্ম হায়বসিনি। মহাকা হায়-মতম অমদা অৱাং নোংপোক লমদমবু ইচম চমা ফ্রন্তিয়র রিজন কৌরম্মি। হৌজিক্তী গ্রোথকী মাংজিল থাবা ফ্রন্ট রন্নর ওইরক্লে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদম অসি টুরিজমগী মপুং ফাবা পেকেজ অমনি অমসুং লমদম অসিদা মালেমগী ওইবা মীফমশিং, কন্সর্টশিং অমসুং লুহোংবগী পন্থুংফম ওইবা য়াবগী মচাক য়ামা লৈ।

ফেরজোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ফেরজোলনা শিন্দুনা ফেরজোলগী পি.এম.এস জ্নিয়র হাইস্কুলদা ৱার্ল্ড হাইপর টেন্সন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মনৱামচিংনা হায়-মীওইবদা হাইপর টেন্সন থোকহনবগী মরম কয়ামরুম লৈ। হকচাং ফনা নাদ য়েক্তনা লৈনবগীদমক অফবা চীঞ্জাক চাবা তাঙাইফদে। মহাকা হায়-হাইপরটেন্সন লৈব্রা লৈতব্রা খঙদোকবগী কেম্পেন অসি মথং থাগী ১৬ ফাওবা মখা তানা চথখিগনি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর-জেংঙাইলুন, ফেরজোল গভর্নমেন্ট হাইস্কুল অমদি পি.এম.এস স্কুলগী ওজা অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

ব্লদ (এল)ঃ ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমসুং খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী এন.সি.সিনা সি.ঐচ.সি, ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ককচিংগী ব্লদ বেঙ্ক য়ুনিটকা পুন্না শিন্দুনা ঈ-দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ লিংখৎখিবগী অনি শুবা কুমওনগা মরি লৈননা পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা খুৎশমরগা কম্পোজিৎ হোস্পিতাল সি.আর.পি.এফ লাংজিং ইম্ফাল অনিনা পুন্না শিন্দুনা গ্রুপ সেন্তর লাংজিংদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

রেল্লি (এল)ঃ তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি, রিজার্ভ ফোরেষ্ট, প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট অমদি সৈসমিক সর্ভেবু য়ানিংদবা ফোংদুনা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা চৎখ্রে। ৱাকৎ খোঙচৎ অদু তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা পুনবা জোইন্ট এক্সন কমিতিনা শিনবনি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি অমদি রিজার্ভ ফোরেষ্ট হায়দুনা থন্বীরনু অমদি দি টু অমদি দি থ্রি সর্ভেসু চথুবীরনু হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। রেল্লি অদু তমেংলোংগী এপোলো গ্রাউন্দদগী হৌরগা তমেংলোং হেদক্বাটরসকী জাদোনং পার্কতা লোইশিনখি। তুংদা জে.এ.সিগী মীহুৎ কাংবুশিংনা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা চত্তুনা মেমোরেন্দ অমসু পীশিনখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী হাওচোংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কম্পনি ওপরেতিং বেজদা এক্স-সার্ভিসমেনশিং অমসুং ভেটরানশিংগা উন্নবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুনা মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা এক্স-সার্ভিসমেনশিংনা থেংনরিবা সমস্যশিংগী মতাংদা মপুং ওইনা খন্নখি।

এআর-২ (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী খেংজোই সবদিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা জোপীদা ২৯ শুবা অসাম রাইফলসকী থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা জৱানশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা চান্দেল জিলাগী হোলেংজাং অমসুং হেংসিদা থোকখিবা এম্বুসকী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

মেটঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অহুমনি অসিদা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং-অরুনাচল প্রদেস, অসাম অমসুং মেঘালয়দা অকনবা অমসুং য়ামা কনবা নোং চুরবা য়াই। হায়রিবা মতম অসিদা করনাতক, মধ্য মহারাস্ত্রা, অন্দমান অমসুং নিকোবর, ছাতিসগর, নোংচুপ বেঙ্গোলগী গঙ্গা তম্পাক অমসুং গুজরাটতসু অকনবা নোং চুগনি।

দিপার্টমেন্টনা অসিনা হায়-কোনকান অমসুং গৱাদা হয়েং ফাওবা কা হেন্না কনবা নোং চুখিগনি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুর অসি পহলগামদা চত্থরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুমনি। মসিগা লোয়ননা ঙসিদি মালেম পুম্বনা ভারত লান্মীশিংগী থৌনা অমদি শক্তিবু থাগৎপা অমসুং ইকায় খুমবা ফোংদোক রক্লি।

ওপরেসন অসি মায় পাকপদা কেন্দ্র সরকারগী অচেৎপা ৱাখল্লোন, ইন্টেলিজেন্সশিংদগী ফংখিবা রিপোর্ট অমসুং লান্মীশিংগী থৌনা লিংজেলবু গৃহ মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) ইনভেষ্টিচর সেরেমোনিগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- পাকিস্তানগী মায়োক্তা চত্থখিবা ওপরেসন অসিদা বি.এস.এফ অমসুং লান্মী কয়ানা হনবা লৈতবা থৌনা অমসুং ভারতকী ঙাকশেলগী লমদা লৈবা অশেংবা শক্তি মপুং ফানা উৎখি। মহাকা মখা তানা হায়- ভারতনা হন্দক তেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা চত্থখিবা এটেক অসিদা পাকিস্তান্না মখোয়দা চত্থরকপা এটেকনি হায়না লৌরিবা অসিনদি পাকিস্তান্না তেরোরিষ্ট কয়া য়োকখৎতুনা থল্লি হায়বসি ময়েক শেংলে।

শ্রী সাহনা হায়- পাকিস্তান লান্মীশিংনা ভারতকী সিভিল বেজ অমসুং মিলিটরি ইষ্টাব্লিষ্টমেন্টশিংদা এটেক তৌনবা হোৎনরকখি। মদুগী চপ চাবা পাউখুম ভারত লান্মীশিংনা পীদুনা পাকিস্তানগী এয়ার বেজ কয়া থুগাইখি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনিগী মুকবা অদু লৈবাক অনিনা নোংমৈ কাপদবা অমদি মিলিটরিগী থবক থৌরম অমত্তা নাকল অনিগী মরক্তা চথ্বদবা হায়বা ৱাফমদা য়ান্নখিবনি।

দেনমার্কতা নিউজ চেন্নেল অমগা উন্নবদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- থা অসিগী ১০ দা ভারত লান্মীনা পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা মওংদা খুৎ হনখি। মদু মমাং থাদা পাকিস্তান্না ভারত্তা তেরোরিষ্টকী থবক চথ্বদুনা মীওই কয়া তমথিনা হাৎখিবগী পাউখুম ওইনা চথখিবনি। পাকিস্তানদা বেজ তৌবা তেরোরিষ্টশিংনা ভারতকী মাইকৈদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকহনখি। হৌজিক্তি লৈবাক অনিনা করিগুম্বা হিরম খরদা য়ান্নবা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

ইদি ঃ লুপা কোতি লিশিং ১২ নারোনদা থৈদোকখিবগী মরালদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা হোম বায়র্স এন্দ ইনভেষ্টরসকা মরী লৈনবা কম্পনি জে.পি. ইনফ্রাটেক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ১৫ দা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। থিবা হুম্বগী থবক চথবা অদু জে.পি. ইনফ্রাটেক্কী দিল্লি এন.সি.আর অমদি মুম্বাইগী মফমশিংদা চথখিবনি। মখোয়না লল্লোন ঈতিক তৌবগী মীংদা লুপা কোতি লিশিং ১২ রোমগী শেনফম লান্না শিজিন্নখিবনি হায়রি।

বিজেপি ঃ ওপরেসন সিন্দুরগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নখিবা অদু বি.জে.পিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা দলগী মচিন চৎপা মীশক গৌরব ভাতিয়ানা হায়- ভারতনা পাকিস্তানগী মথক্তা মায় পাকা চথখিবা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা রাহুল গান্ধিনা দাইত্ব লৈতবা ৱাফম প্রধান মন্ত্রিগী মথক্তা ফোংদোকপা অসি য়ামা মরম চাদবা অমনি। লৈবাক অসিগী নাগরিক কোতি ১৪০ না নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎনরিবনি। শ্রী গান্ধিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামা থাগৎনরিবা ভারত লান্মীগী মীংচৎ থিহল্লে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং(এল)ঃ  অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৭ তা ৱাংগোই লোংজিম লৈকাইগী কম্যুনিতি হোলদা শান্নরগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ  শিরুই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা উখ্রুলগী রামঙাসিম টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা কসোং তিমরাৱোন ফুটবোল তুরনামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ.সি এভেঞ্জর্স উখ্রুলনা বুলস য়ুনাইতেদপু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখ্রে। অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা এন.সি.ৱাই.দব্লিউ.ও কাংপোকপীনা রাহি য়ুনাইতেদ এফ.সি কামজোংবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি।

চেস (এল)ঃ  অহানবা কংলৈ চেস একাদমি ইন্তর স্কুল চেস তুরনামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ২৯ দগী হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিগীদমক রেজিষ্ট্রেসন থাজিল্লকপগী অরোইবা মতম লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎনি হায়না কংলৈ চেস একাদমিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেতরিগী চেরোল অমনা হায়রি।

ফুটবোলঃ  তাজিকিস্তান অমসুং কিরগিজ রিপব্লিকতা শান্নগদবা ইন্তরনেসনেল ফ্রেনলি ফুটবোল মেটচশিংগীদমক ভারতকী চহী ২৩ মখাগী নুপাগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ নৌশাৎ মুশানা মীওই ২৯ না শাবা টিম অমা লাউথোকখ্রে। ভারতনা জূন ১৮দা তাজিকিস্তানগা অমসুং জূন ২১ দা কিরগিজ রিপব্লিক্কা শান্নগনি। ভারত টিম অসি জূন ১ দগী কোলকতাদা কেম্প তৌদুনা লৈগনি। টিম অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই কয়া য়াওরি।

আইপিএল ঃ  ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ট-ত্বেন্তি ক্রিকেট মেটচ অমদা ঙসি রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরগা সন রাইজরস হাইদ্রবাদকা ইকানা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম-বি গ্রাউন্দদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা শান্নরগনি।

------